# সনালৈবাক
SANALEIBAK
PROGRESSIVE JOURNALISM
চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে
www.sanaleibak.in





ক্বাকেথেল থৌনাওজম লৈকাইদা লৈবা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসনগী ওফিসতা পাঙথোকপা ১৭ শুবা ফেদরেল এগজিক্যুটিভ কাউন্সিলগী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবা অমদি চার্জ শিন্নবগী থৌরম



ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অহানবা ওইনা ঘরি অৱাং লৈকাইদা লী ৱা ট্রেদিং প্রাইভেট লিমিটেদকী মখাদা ৱুদ পোলিমর কম্পোজিট সেন্টর অমা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লোয়নবী হিয়াইনুনা হাংদোকপা



ইন্দিয়াগী বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়িশিংগী তলব হেঙ্গৎপীনবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা চঙশিল্লিবা থবক লেপ্পগী খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফালদা চখিবা ইমপ্লোয়িশিংগী প্রোটেষ্ট


Volume No: 44 Issue: 066 | IMPHAL SATURDAY 01 FEBRUARY 2020 | থাংজ, ফাইরেনগী ৭ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাকপু মখাদা চিংথনবা হোৎনরিবা মীশক্তু নহাক্কী মখাদা হান্ননা লৈরবনি

## অঈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ১০.০৬° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১১.০১° সি
নোংজুগী চাং ঃ ৫.৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.৫৭
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.৫৯

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭১.৭১
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৪.৭২


লুহোং–মচল
SANSUI 50" LED (SMART K)
REFRIGERATOR 3 STAR 200 LTR.
8.2 KG WASHER
₹ 48,999/-
SANSUI 32" LED (SMART K)
SAMSUNG 190 LT. REFRI.
GODREJ 7.2 KG WASHER
FREE TATA SKY
₹ 29,990/-
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

0% EMI
BAJAJ ☎ 9615472899
SONY OFFER
KLV-32R202G ₹ ~~23,850~~ = ₹ 17,990
KLV-32R302F ₹ ~~26,600~~ = ₹ 20,990
KLV-32R422F ₹ ~~30,300~~ = ₹ 21,990
KLV-40R252F ₹ ~~43,900~~ = ₹ 33,990
KLV-40R352F ₹ ~~47,900~~ = ₹ 34,990
KLV-43W672G ₹ ~~56,900~~ = ₹ 44,990
KLV-50W672G ₹ ~~64,900~~ = ₹ 57,990
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.


গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

ঙরাং অৱাং লৈকাইগী লুহোংবা লাক্লিবা করিগীনো...!



পোৎয়েং কনবা ওইনা চাইনাগী মহিক্তুদা তায়শিল্লগা চৎত্রবনি...!

## হেক্তা হায়জিনবা

### রাজনীটিগী মায়

খবরদা য়ান্না য়াওরিসে
বিচার তৌনি হায়রিসে
ফম লৌথোকনি হোৎনরিসে
মৱা লৌবিদে শুকলৌ
ফংলোইদৌবা মন্ত্রি ফংহৌরে
তানবা য়াবা তালহৌরে
লৌবা য়াবা লৌহৌরে
ঙাঙবা য়াবা ঙাঙহৌরে
সিবু চোংলমদ্রদি ফংগদ্রা
সিবু কৌই অশিংবা
সিবু কৌই থৌনা ফবা
সিবু কৌই রাজনীটি হৈবা
তৌনিংবা অদুম তৌসনু
হায়নিংবা অদুম হায়সনু
ইকায়বিদে শুকই ইকায়বিদে
ইকায়দৌবা ঐনা ইকায়দ্রগা
কনানা করি তৌজরনি
খবরদা য়ান্না য়াওরিসে
বিচার তৌনি হায়রিসে
তৌনিংবা অদুম তৌসনু
তৌদৌবা ঐসু অদুম তৌনি

# মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৪ দা ২০২২ ফাওবদা ট্রেন য়ৌহনগনি: কোবিন্দ



ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১ (এন এন এস)

লাক্লিবা চহী ২০২২ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর, নাগালেন্দ, সিক্কিম অমসুং মিজোরামগী কোনুংশিং ট্রেন য়ৌহল্লগনি হায়না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী অহানবা পার্লিয়া–মেন্টকী সেসন ওইবা মরন্না মহৌশাদগী চৎনরকপা মতুং ইন্না রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাগী অপূনবা মীফমদা প্রসিদেন্টনা এদ্রেস থন্নদুনা হায়, ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসি মেইনলেন্দ ইন্দিয়াদগী লম লাপ্পা লৈবা খক্তা নত্তনা থম্মোয়গী ওইবা মরীদসু লাপ্পবগুম তৌরি। অদুবু হায়রিবা মওং অসি হন্দক্কী লৈঙাক অসিনা হৌখিবা চহী ৫ রোম অসিদা হনবা লৈতনা হোৎনদুনা অহোংবা খরদি পুরকপা ঙম্লে।

হন্দক্তা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট, অসাম গভর্ণমেন্ট অমদি বোরো ওর্গনাইজেসন অমগী মরক্তা য়ান– চেরোল খূৎয়েক পীনখিবা অদুনা চহী ৫০ হেল্লবা অমদি মীওই ৪,০০০ হেন্না থৱায় থাখ্রবা বোরোলশিংগী ঈহৌ অসিগী ৱারোইশিন অমদি পুরকপা ঙম্লে। য়ান–চেরোল অসিগী মতুং ইন্না সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা বোরোশিংগী চাউখৎ থৌরাংগীদমক শীজিন্ননবা লুপা ক্রোর ১৫০০ সু কায়থরগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী খরা অসিদা ট্রিপুরা, মিজোরাম, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ব্রু কাঙলূপকী মরক্তা য়ান– চেরোল খূৎয়েক পীনখিবা অসিনসু চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা ব্রু কাঙলূপকী তংদু– লৈতাদবা অদু কোকহনবা ঙম্লগনি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি অসাম গভর্ণমেন্টকা নেস্নেল দিমোক্রেটিক ফ্রন্ট ওফ বোরোলেন্দ (এন দি এফ বি) অমদি অতোপ্পা লালহৌলূপ অনীগা লোয়ননা য়ান– চেরোলদা খূৎয়েক পীনদুনা অসামগী বোরোশিংনা নন্না তাবা মফমশিংদা তুং কোয়না ইং–তপ্পা অমদি তংদু– লৈতানা লৈনবা য়ানখিবা লৈরবনি। লোয়ননা লূপশিং অসিনা হান্না তাল্লম্বা তোঙানবা ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী ৱাফমশিং অদু নাথৈখ্রগা লৈঙাক্লোন অমদি শেন্মীৎলোনদা হেন্না চাউখৎমিন্নবগী ৱাখল্লোনদা য়ানবা অদু পুরকখিবনো।

নাকল অমরোমদা, হৌখিবা চহী ১৯৯৭ দগী হৌনা মিজোরামগী ব্রু কাঙলূপকী মীওই লিশিং ৩০ রোম ট্রিপুরাদা রিফ্যুজি ওইদুনা লৈরকখিবা অদু চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা মিজোরাম গভর্ণমেন্ট, ট্রিপুরা গভর্ণমেন্ট, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ব্রু কাঙলূপকী মীওইশিংনা য়ান–চেরোল খূৎয়েক পীনদুনা ব্রুশিং অসিবু ট্রিপুরাদা মতম পূম্বগী ওইনা লৈবা য়াহনখি। খূৎয়েক পীনবা অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহসু শরুক য়াখিবনি।

রামনাথ কোবিন্দনা মখা তারদুনা হায়, হন্দক চহী খরা অসিদা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিং অসিদা চখোক–চৎশিনগী লম্বী–থোং শেমগৎ শাগৎপা, ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া শেমগৎ–শাগৎপগী থবক য়ান্না খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লক্লি। অসুন্না অৱাং নোংপোক্তা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা হোৎনবা অসিনা মফম অসিগী মীয়ামদা মখোয়সু লৈবাক অসিগী মীনি হায়বগী ৱাখল্লোন হেন্না ময়েক শেংনা খঙহল্লক্লি।

হৌজিক অরুনাচল প্রদেশকী হোলোঙ্গিদা এয়ারপোর্ট শাবগী থবক পায়খৎলিবা অসিসু কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা লোইশিল্লগনি। মসিদসু নত্তনা গুৱাহাটিদা শেমগৎ–শাগৎলিবা এ আই আই এম এস, নুমালিগারহগী বাইও রেফাইনেরি অমদি মণিপুরগী নেস্নেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী শেমগৎ–শাগৎপগী থবকসু য়ান্না খুমাঙ চাউশিন্না চঙশিল্লি। হন্দক্তসু লৈঙাক অসিনা নোর্থ ইষ্ট গ্যাস গ্রাইদ প্রোজেক্টকীদমক ক্রোর ৯০০০ কায়থখিবা লৈরবনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোকপা জোইন্ট সেসনদা ৱা ঙাংলদুনা *...মখা লমায় ৩দা...*

# এ জি ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী সেনিয়ার একাউন্টেন্ট সি বি আইনা ফারে

## এ টি এমশিংগা কোন্নবা পেন্সন পাসবুক ৭৮ ফাগৎপদা য়াওরে




ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১ (এন এন এস)

শেঙ্গা–থুমজা তৌবা অমসুং মশাগী ইনকমগা মরল–মথুমগা চানদবগী কেসকা মরী লৈননা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসনগী হেদ ওফ ব্রাঞ্চ ইম্ফাল এমদি খমরংনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি একাউন্টেন্ট জেনরেল (এ জি) ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অমগী ময়ূম অমসুং ওফিসতা রেইদ চখখ্রে।

ঙসি অয়ুক্কী পূং ৭ তাবদা মতম অমত্তদা ওফিস অমসুং ময়ূম রেইদ চখখিবা সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অদুগী মমিং য়ুন্নাম শরত মৈতৈ (৫২) কৌই। মহাক ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদগী বিস্মগী মচানুপানি হায়রি।

সি বি আইনা থোকখিবা প্রেস রিলিজ অমগী মতুং ইন্না সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অসিদগী লুপা লাক্ষ ৩১ রোম শেংঙ ওইনা ফংখি। মসিগী মথক্তা লুপা লাক্ষ ১৮ লোমগী সনাগী পোৎলমশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা পেন্সনর ৭৮ এ টি এমশিংগা কোন্নবা পেন্সন পাসবুক ফংখি হায়রি।

রেইদ অদুদা সি বি আইনা পেন্সনরশিংগা মরী লৈনবা চে–চাং কয়ামরুম ফংবতা নত্তনা মল্টি ষ্টোরেজ বিল্ডিং শাগৎপা, বিল্ডিং লৈবা, লৌফম লৈশিনবা, এলাইসিদা শেল থাদবা, বেঙ্ক অমসুং অতোপ্পা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংগা মরী লৈনবা চে–চাং কয়ামরুমসু ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অসিগী মথক্তা সি বি আইনা এফ আই আর অমা লৌখৎলে। মহাক্কী মথক্তা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট ১৯৮৮ (এমেন্দেট ইন ২০১৮) গী সেক্সন ১৩(২)আর/ দব্লিউ ১৩ (১) (বি) গী মখাদা লোগী ওইবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলে। কুমজা ২০১০ গী জনুৱারি ১ দগী কুমজা ২০১৯ গী ওক্টোবর ৩০ ফাওবদা সেনিয়ার একাউন্টেন্ট অসিনা য়াল্লবা মরল–মথুম কয়ামরুম মহাক অমসুং মহাক্কী ইমুং–মনুংগী মীওইশিংগী মিংদা লৈশিনখি। অদুবু মহাক্না লৈশিনখিবা অরেংবা অমসুং লেঙদবা মরল–মথুমশিং অদুগী মমলশিংগা মহাক্কী ইনকম ওইরিবা লুপা ১,৪০,৩৭,৩৮৭ রোম অসিগা চান্নদে হায়নসু মরাল শীরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা লৈরিবা ময়ূম অসিখক নত্তনা চেক্কোনদসু মথোল মঙাগী ময়ূম অমা হৌজিক হৌজিক য়ান্না কন্না শাগৎলি।

মখা তানা ৱাহং পাউহং চখনবা য়ুন্নাম শরত সি বি আইনা ফারে। মহাক হয়েং মেজিষ্ট্রেটকী মমাঙদা পুথোক্কনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# লান্মীনা চখবা কা–হেনবা থৌওংগী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে




ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১ (এন এন এস)

আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ কী মরুমদা অসাম রাইফলস, বি এস এফ, সি আর পি এফ অমদি ইন্দিয়ান আর্মিনচিংবা লান্মীশিংনা লিশাং শিংৎনা মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চখরকপা মীওৎ–মীনৈগী মায়োক্তা ঙসি ইন্দিজিনস ৱুমেন ফোরম মণিপুরনা শীন্দুনা মীয়ামগী অচৌবা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। লোয়ননা মীফম পাঙথোক্লুনা ৱাফম কয়া খন্ন– নৈনখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ মীওই চা কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অদু ৱাংখৈ অঙোম লৈকাইদা লৈবা ৱাল য়ুনাইটেদ য়ুঠ ক্লবকী গ্রাউন্দদা মীয়াম পুল্লবা মতুংদা অয়ুক পূং ১১.৩০ দগী চৎপা হৌখিবনি। খোঙচৎ অদু হট্টা চেক্কোনলোমদা চৎখি, মিনু থোং লাম্থোক্লবা মতুং খোয়াথোং তন্না চৎলবা মতুং থাংমৈবন্দগী থাও গ্রাউন্দদা লোইশিনখি। লোয়ননা মফম অদুদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লুনা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্টকী মরুমদা লান্মীনা মীচম মীয়ামদা চখবা থৌওং কয়াগী মতাংদা খন্ন– নৈনখি।

হায়রিবা মীফম অদুগা মরী লৈননা ইন্দিজিনস ৱুমেন ফোরম মণিপুরগী কনভেনর দব্লিউ প্রভানা হায়, হৌখিবা চহী কয়াগী মমাঙদগী ইন্দিয়াগী লান্মীশিংনা মীয়ামদা মরু ওইনা নুপী ওইবী কয়াগী ইজৎ তেমশিন্নবনচিংবা থৌওং কয়া লিশাং শিংৎনা চখদুনা লাক্লি। থৌওংশিং অদুগী মনুংদা থা অসিগী ১৯ দা খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল অমনা নুপী আই পি এস ওফিসার অমা মোলেষ্ট তৌখিবা, ইমুং মনুংগী লৈত–লায়র পুননবা মোরেদা ললোন–ঈতিক তৌবা চৎচবা নুপী অমবুনা ময়াই কাবা দ্রগ অমদি দাইমন্দনচিংবা য়াওব্রা য়েংবগী নাম্মাদা প্রাইভেট পার্টতা পার্সোনেল অমনা মখূৎ থিংজিন্দুনা মীওৎ–মীনৈ চখখিবা অসিনচিংবা থৌওং কয়া চখদুনা নুপী সমাজ অমদি লৈবাক মীয়ামবু লান্মীশিংনা শীংনদুনা লাকপা অদুগী মায়োক্তা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মীয়ামগা লোয়ননা হায়রিবা থৌওংশিং অদু য়ানিংদে হায়দুনা ৱাকৎ খোঙচৎ অসি চৎখিবনি।

লমদম অসিদা ইন্দিয়াগী লান্মীশিং অদুগী লিচৎনা মরম ওইদুনা নুপী ওইবীশিংনা লৈবদা অমদি চখোক–চৎশিন তৌবদা *...মখা লমায় ৩দা...*


ফাইনান্স মিনিষ্টর শিতারামননা ইকোনোমিক সার্ভে ২০২০ পুথোকখ্রে


# শেল থাদবা ৱাৎপনা ইকোনোমি হন্থরকপনি: সি ই এ



ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ৩১ (এস এন এস)ঃ

য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা শিতারামননা ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা কুমজা ২০২০ গী ইকোনোমিক্স সর্ভে রিপোর্ট পুথোকখ্রে। লোয়ননা সর্ভে রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্সন (জি দি পি) অসি চৎলিবা শেনবা চহী ২০২০–২১ অসিদা চাদ ৬–৬.৫ হেনগৎনবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, সেসন অসি লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংগা উন্নবদা চীফ ইকোনোমিক্স এদভাইজর কৃষ্ণমুর্তি সুব্রামনিয়ন্না হায়খি, লৈবাক অসিগী ইকোনোমি হন্থরক্লিবা অসি শেল থাদবা ৱাৎপদগীনি। মালেম পূম্বগী ওইনা ২০১৪ দগী ২০১৮ ফাওবদা লৈখিবা ইকোনোমিগী খোঙজেল অদুগা মমাঙগী চহী ২০১৯ দা লৈখিবা অসিগা য়েংনবদা য়াম্না হন্থনা লৈরি।

লৈবাক অসিগী ওইনসু হৌখিবা চহী ২০১৭ দগী ইকোনোমিগী খোঙজেল হন্থরক্লিবা অসি প্রাইভেট ইনভেষ্টরশিংনা শেল থাদরকপা ৱাৎপদগীনি। হৌখিবা চহী ২০১৩ অসিনা লৈবাক অসিদা প্রাইভেট ইনভেষ্টর কয়ানা শল থাদবগী চাং য়াম্না ৱাংবনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ইকোনোমিগী খোঙজেল খ্বাইদগী ৱাংবা চহী অমা ওইখি। অদুবু মসিগী মতুং দগীদি তপ্পা তপ্পা হন্থখিবনি।

সুব্রামনিয়ম্না মখা তানা হায়, ইকোনোমি সর্ভে ২০২০ অসি অরিবা অমদি অনৌবা ৱাখল্লোন অনীনা পূনশিন্দুনা শেম্বনি। লোয়ননা অনৌবা ৱাখল্লোনদা য়ূম্ফম ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টরনা ইনিদপেন্দেন্ট দেদা পীখিবা ৱারোল অদুদা য়ূম্ফম ওইবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১৫ দা প্রাইম মিনিষ্টরনা লন থুম শেমগৎপগী মতাংদা হায়খি অদুগা লন থুম শেমগৎলিবা মীওইশিংবু ইকায় খুম্নফম থোকই।

ফাইনান্স মিনিষ্টরনসু লন থুম শেমগৎলিবা *...মখা লমায় ৩দা...*

# 'ইন্দিয়া, ম্যান্মার নকশিন্নদুনা নাগা নমথনবা হোৎনরি'

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১ঃ নেস্নেল সোসিয়েলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সি এন) গী গভর্ণমেন্ট ওফ পিপলস রিপব্লিক ওফ নাগালেন্দ (জি পি আর এন) গী ৪০ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা পীবা ৱারোল অমদা প্রসিদেন্ট য়ুং অউংনা ইন্দিয়া ম্যান্মার খূৎশন্নরগা নাগাশিং নমথনবা হোৎনরে হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।

ইন্দিয়া অমদি ম্যান্মার পোলিসিদা নকশিন্নরক্লি। নাগাশিংবু পোলিটিকেল্লি, ইকোনোমিকেলি নমথনবা মান্নবা ষ্ট্রেটিজি অমদি টেক্টিস শীজিন্নরক্লি। এক্ট ইষ্ট পোলিসি অসি লৈবাক অনীগী কান্ননবা অদু গা নাগাগী লৈবাক অমদি ৱেসিয়াগী লমদম নমথনবা হোৎনবনি হায়না এম এস সি এনগী প্রসিদেন্টকী ৱাঙাং অদুদা ফোঙদোক্লি। *মখা লমায় ৩দা...*

# বেঙ্ক ইমপ্লোইয়িশিংনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি৩১(এস এন এস)ঃ

লৈবাক অসিদা লৈরিবা বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোইয়িশিংগী তলব হেনগৎহনবীনবা দিমান্দ তৌরদুনা লৈবাক শিনবা থুংনা বেঙ্ক ইমপ্লোইয়িশিংগী থবক লেপ্পগী খোঙজং মণিপুরদসু য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী লমজিং মখাদা চংশিনখিবদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা মায়োক্নহনখ্রে। ফংফম থোকপা তানলিবা ইমপ্লোইয়িশিংবু লৈঙাক্না মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা কাঙবু ওইনা উহন্নবা হোৎনবিরি হায়না য়ু এফ বি য়ুগী কো কনভেনর সোইবম ইন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া এম জি এভেন্যু ব্রাঞ্চতা এ আই বি ই এ, এ আই বি ও সি, এন সি বি ই, এ আই বি ও এ, বি ই এফ আই, আই এন বি ই এফ, আই এন বি ও সি, এন ও বি দব্লিউ, নোবোগী অপুনবা য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়নগী বেন্নর মখাদা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা ইমপ্লোইয়িশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা এস ইন্দ্রকুমারনা হায়, বেঙ্ক ইমপ্লোয়িশিংগী ফংফম থোকপা তলবকী শেনফম হেনগৎনবা হোৎনবদা থা ২৭ হেল্লবা ফাওবদা করিগী পীথোকপীদনা লৈরিবনো? বেঙ্ক ইমপ্লোইয়িশিংনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লেবরদা দিমান্দশিং তকশিল্লিবা অসিনা বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবশিং অসি ওফিসার নত্তে। মখোয়শিং অসি শিন্মী অমনি হায়বসি ময়েক শেঙলে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী নৎত্রগা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা অতৈ ইমপ্লোয়িশিংদি পে কম্মিসনন্না কোনশিনবনি। অদুবু বেঙ্ক ইমপ্লোয়িশিং দি পে কম্মিসনন্না কোনশিল্লোই।

বেঙ্ক ইমপ্লোইয়িশিংনা হৌজিক চংশিল্লিবা খোঙজং অসি কনানসু তাবিরোই খঙই। মখোয়না তাবিদবা তারবদি মার্চ ১১ দগী ১৩ ফাওবা খোঙজং চঙশিন্নবা অমদি করিগুম্বা মদু ফাওবা তারক্রবদি এপ্রিল ১ গী মতম কক্তবা খোঙজং চংশিন্নবা লেপ্পখিবনি।

বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোইয়িশিং অসি য়াম্না তোনবা ফরুপশিংগা মান্নরক্লে। নোংমগী থবক শুরগা শেল তানবা অসি থবক শুদ্রবদি শেল পীবিদনা লৈরি।

বেঙ্কশিংদা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়শিং অসিদি ইন্দিয়ান লেবর লোনা কোনশিনবনি। বেঙ্কশিংদা অহিং নুংথিল নুমিদাংৱাইরমদা অসিগী অৱাবা দিমান্দ পীবিনবা হায়জবদা তাবিদবা হায়বসি *...মখা লমায় ৩দা...*

# লোক্তাক ইনলেন্দ ৱাটরৱেজগী শেনফম হেনগৎপীনবা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি৩১(এস এন এস)ঃ

লোক্তাক ইনলেন্দ ৱাটরৱেজগী সেঙ্কসন তৌখিবা শেনফম হেনগৎপীনবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং এন দি এগী ভাইস চিয়ার্মেন সুশিন্দ্রোনা ঙসি য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সিপ্পিং এন্দ ফর্টিলাইজর মন্সুক মন্দভিয়াদা তকশিনখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা দিল্লিদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পাউচে অসিগা অখন্নবা টেলিফোনগী খুখাংদা ৱারী শান্নবদা হায়, লোক্তাক ইনলেন্দ ৱাটরৱেজগী ওইনা হান্না লুপা ক্রোর ২৪–২৫ রোম সেঙ্কসন তৌরম্বনি। অদুবু হায়রিবা শেনফম অসি অরিবা রেটতা ওইবনা হৌজিক্কী মতমগা চুন্নদবনা মদুগী শেনফম অদু লুপা ক্রোর ৯০ রোমদা হেনগৎপীনবা তকশিনলমখি। বরাক তুরেলদা ইনলেন্দ ৱাটরৱে অমা শেম্বীরগা তিপাইমুখনচিংবদগী হিদা পোৎ পুথোক পুশিন, চখোক চৎশিন তৌবা য়ানবা থৌরাং পায়খৎপীনবা ৱাফম য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগা উন্নবা অদুদা থল্লমখি হায়খি।

মসিগী ফিজিব্লিটি রিপোর্ট অসি মমাংদা য়ারে হায়না লৈরম্লবসু লৈঙাক্না ইনিসিয়েট তৌরমদনা লৈরমখিবনি। মদুগী রিপোর্ট অদু লৈঙাক্না থবক লৌখৎপীনবা ইনিসিয়েট তৌরমখিবনি।

মসিগা লোয়ননা থাঙ্গ অমদি করাংগী মরক্তা মিটির ৮০০ শাংবা শরুক অসি রোপৱেনা শন্নীনবা ৱাফম থমখি। য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ৱাফমশিং অসি য়াম্না পোজিটিভ *...মখা লমায় ৩দা...*

# 'এন পি পিগী মিনিষ্টরশিং লৌথোক্লবগী মরম লৈতে'

ইম্ফাল, জনুৱারি ৩১ (এস এন এস)ঃ

মণিপুরদা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুঙশিন্নবা লৈঙাক অসিদগী এন পি পিগী মিনিষ্টরশিং লৌথোক্লবা য়াই হায়না নিনফুং নিনফুং ঙাঙনরিবা অসি মিনিষ্টর লৌথোক্লিঙাইগী মরম লৈতে। এন পি পিনা লৈঙাক্তা শৌগৎখিবা অসি বি জে পিগী নেসনেল লিদরশিংগা কুপ্না ৱারি শান্নরবা মতুংদা চহী ৫ চৎকদবা য়ান্নবা অমগী মখাদা লৈঙাক অসিদা শৌগৎখিবনি হায়না নেসনেল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী নেসনেল প্রসিদেন্ট অমদি মেঘালয়গী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ নীনিগী খোঙচত্তা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা এন পি পিগী লুচিংবা অসিনা পাউমী খরগা ৱাঙ্গোয় এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা য়ুম্নাম হুইদ্রোমদা লৈবা এন পি পি মণিপুর ষ্টেটকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন খুরাইজম লোকেনগী য়ুমদা অখন্নবা উন্নবা অমদা কোনরাদ সংমানা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



কোনরাদ সংমানা মখা তানা হায়, এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদগী এন পি পিগী মিনিষ্টর লৌথোক্কনি হায়রিবা অসি মীয়াম্না ৱাখলনা শাগৎপনি। চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা হায়বসি তরায়না লৌবা চুপ্লোই। নাকল কয়াদগী দিমান্দ তৌরকপা অমদি প্রেসর পীরকপা হায়বসি হৌনশানি। বি জে পিগী মরক্তসু মসি অদুমক লৈরিবনি।

লৈঙাক অসি শেমখিবা মতমদা দিল্লিদগী লুচিংবা কয়া লাক্লগা উন্নদুনা কুপ্না ৱারি শান্নবগা লোয়ননা মতম অদুগী পার্টিগী নেসনেল প্রসিদেন্ট আমিট শহাগসু টেলিফোনদা ৱারী শান্নরবা মতুংদা চহী ৫ মপুং ফানা চৎনগদবা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈঙাক অসিদা এন পি পিনা শৌগৎখিবনি। মরম অসিনা এন পি পিগী মিনিষ্টর মশীং হন্থবগী ৱাফম লৈরোই হায়খি। ষ্টেটকী পোলিটিকেলগী ফিভম, লৈরিবা প্রেসর ময়াম *...মখা লমায় ৩দা...*

